হুইয়েন লানপাউ

Vol. 41, Issue No.300 | ইরাই, ফাইরেল ৯নি পানবা, | অপুনবা লামায় মশিং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Friday, January 26, 2018, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

মোরেরোমদগী ইম্ফাল তন্না উ বিমশিং পুথোক্লবা হোৎনরম্বা ট্রক ১৬ অসাম রাইফলসকী পার্সনেলশিংনা ফারবা তুংদা দি এফ ও থৌবালদা শীন্নবা



লামায় ১

দি এম কোলেজ ওফ সাইন্স অমসুং এল এম এস লো কোলেজগী ফীভম করম তৌরিবগে হায়বা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যামনা য়েংশিনবা



লামায় ৩

মণিপুর লৈঙাক্কী ইলেক্সন দিপার্ট-মেন্টনা শীন্দুনা ইম্ফালগী জি এম হোলদা পাঙথোকপা ৮শুবা নেসনল ভোটরস দে থৌরমগী শক্তম




লামায় ৩

বমোন লৈকায় য়ুথ ক্লব, য়াইরিপোক্কী সিলভর জুবিলী সেলেব্রেসনগা মরী লৈননা ৱাঙ্খেম এ সীগী এম এল এ, কে মেঘচন্দ্রনা সোভিনর ফোঙবগী শক্তম




লামায় ৩

## হায় কোর্টকী ৱায়েল ষ্টে তৌখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৫: সগোলবন্দ এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এ, আর কে ইমোনা পিটিসনর ওইরগা ডো. খ্বাইরাকপম লোকেন অমদি অতোপ্পা মীওই অনীনা রেস্পোন্দেন্ট ওইখিবা ইলেক্সন পিটিসন অমা অমসুং ডো. খ্বাইরাকপম লোকেননা পিটিসনর ওইরগা আর কে ইমো সিংহ য়াওনা মীওই অহুম্না রেস্পোন্দেন্ট ওইখিবা ইলেক্সন ...মখা লামায় ৩ কলম ১

## ছুটি ওইগনি

ঙসি রিপব্লিক দেগী থৌরমগা মরী লৈননা প্রেস ছুটি ওইবা মরম্না হয়েং জন্যুৱারী ২৭তা পাউচে অসি পুথোকচরোই। - *মেনেজর*

## অস! লোইরেহে!

লৈকায় লৈকায় লুহোংবা ফাংনরসু চাক্কৌবদি ফাংনহনবীনু...!



কন্না লাউবীয়ু, তানবা...!

## নুমিদাংদা এরোপ্লেন তাবা য়াদবনা সী এম দিল্লিদা চৎখিদ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৫(ঐচ এন এস):

লৈবাক অসিগী ৬৯শুবা রিপব্লিক দেগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ানবা সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী মনুং চন্না লৈবা লৈবাক ১০গী প্রাইম মিনিষ্টর/প্রসিদেন্টশিং দিল্লিদা লৈরিঙৈদা এক্ট ইষ্ট পোলিসিগী মতাংদা ৱারী শানবা য়াওহৌনবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা খঙহল্লক্লবসু চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন ইম্ফাল এয়র পোর্টতা নুমিদাংদা এরোপ্লেন তাবগী খুদোংচাবা লৈতবনা চৎখিদ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টরনা ঙসি নুমিদাং অখন্ননা লাংবা চাক্লেন অমদসু শরুক য়ানবা মাঙজৌননা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনবু দিল্লিদা ঙসি অয়ুক য়ৌরক্লবা খঙহল্লকখিবনি। ইম্ফালদসু পাঙথোক্কদৌরিবা রিপব্লিক দেগী থৌরমদা শরুক য়াবগী তঙাইফদবা লৈবা মরম্না মহাক ঙসি নুমিদাংমক হনখিনবা অখন্নবা চার্টর ফ্লাইট অমা শিনগে হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা থাজবা পীরগসু ইম্ফাল এয়রপোর্টতা খুদক্কী ওইনা নুমিদাংদা এরোপ্লেন তাবগী খুদোংচাবা লৈতবনা মরম ওইরদুনা মহাক দিল্লিদা চৎখিদবনি।

পনবা য়াবদি, ইম্ফাল এয়রপোর্ট ইন্টরনেসনল এয়রপোর্ট ওইনা শেমগৎকনি হায়দুনা মমাঙগী লৈঙাক মতমদা পাক চাউরবা লমগী শরুকশিং সিবিল এভিয়েসন মিনিষ্ট্রিদা কৎখিবা লৈখ্রে। অদুবু ঙসি ফাওবা থবক্তা ওন্থোরকপদি লৈত্রি।

অদুমকপু অসামগী চীফ মিনিষ্টর সর্বনন্দ সোনোৱালদি প্রাইম মিনিষ্টরনা এসোসিএসন ওফ সাউথ ইষ্ট এসিয়ন নেসন (অসিয়ান) মেম্বর ১০গা লোয়নননা লাংবা ঙসি নুমিদাংগী চাক্লেন্দা শরুক য়ানবা দিল্লিদা থুংখ্রে। এক্ট ইষ্ট পোলিসিগী মখাদা সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী লৈবাক ১০গা লল্লোন ইতিক তৌনহন্নবগী মতাংদা ৱারী শানবদা অসামগী চীফ মিনিষ্টর খক্তমক নোর্থইষ্টতগী য়াওখি।

নীংশিংবা য়াবদি, এক্ট ইষ্ট পোলিসিগী গেটৱে মণিপুরনা ওইগনি হায়না ক্লেম তৌজরগসু অসামনা ওইনবা য়াম্না কন্না লোবি তৌরিবনি।

## কে মুইভা, বন্দনা কার্কি আই জিদা প্রমোসন পীখ্রে

### *পুলিস ওফিসর ৩না সেনিয়র এস পি কারে*

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৫(ঐচ এন এস):

মণিপুর লৈঙাক্কী জোইন্ট সেক্রেটরি দি পিনা ঙসি থোকখিবা তোঙান তোঙানবা য়াথং অহুমগী মতুং ইন্না দি আই জিগী থবক তৌরিবা পুলিস ওফিসার অনী আই জিদা, সেনিয়র এস পি ইম্ফাল ৱেষ্ট ওইরিবা থেমথিং ঙসাংবনা দি আই জিদা অমসুং এস পিগী থাক্তা লৈরিবা পুলিস ওফিসর অহুম্না সেনিয়র এস পিদা প্রমোসন পীখ্রে।

আই জিদা প্রমোসন পীখ্রবা পুলিস ওফিসর অনী অদুদি ইমানুএল কে মুইভা (এম এ-২০০০) অমসুং বন্দনা কার্কি (এম এ-২০০০)নি। মখা তাবা য়াথং অমা থোক্ত্রিফাওবা মখোয়না হান্না পুদুনা লাকপা ফমশিং অদু অদুমক পুখিগদবনি হায়রি।

সুপর টাইম স্কেল ফংখ্রবা ইম্ফাল ৱেষ্টকী এস পি থেমথিং ঙসাংবা (এম এ-২০০৪) দেপ্যুটি ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিসতা ঙসিদগী প্রমোসন পীখ্রে। মহাকসু মখা তাবা য়াথং অমা থোক্ত্রিফাওবা মহাক্না হান্না পুরম্বা ফম অদু পুখিগনি হায়না ...মখা লামায় ৩ কলম ১

## মোরে লম্বীদা অসাম রাইফলসনা উ বিম থন্না য়াওবা ট্রক ১৬ ফারে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৫(ঐচ এন এস): মতম শাংনা তুমিন্না লৈরুরবা তুংদা অসাম রাইফলসকী পার্সনেলশিংনা থা অসিগী ২৪গী অঙনবা অয়ুক্তা মোরেরোমদগী ইম্ফাল তন্না থৌরকপা উ বিম থন্না য়াওবা ট্রক ১৬ ফারে।

ইন্সপেক্টর জেনরেল অসাম রাইফলস (সাউথ)না থোকখিবা চেরোল অমনা হায়, লোনা য়াদবা মওংদা উ বিমশিং লৈবাক লান্না লল্লোন-ইতিক্কী থবক তৌরে হায়বা অকক্লবা পাউ অমা ফংবদগী এ আরগী পার্সনেল খরা ইম্ফাল-মোরে লম্বীদা থমখি।

লোনা য়াদবা মওংদা মোরেরোমদগী ইম্ফাললোমদা পুথোকখিনবা অখন্নবা থৌরাং অমগা লোয়নননা লম্বী অসিদা লাকপা গাড়ীশিং অদু নমদুনা খামহনখি। মখোয়না পুরিবা উ বিমশিং অদু মরী লৈনবা মণিপুর ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টতগী ওফিসল পার্মিট য়াওব্রা হায়না হংখি অমসুং মরী লৈনবা চে-চাংশিং পুথোকহন্নবা খঙহনখি। অদুবু মখোয়না পুরক্লিবা উ বিমশিং অদুগা মরী লৈনবা চে-চাং অমফাওবা এ আরগী পার্সনেলশিংদা উৎপা ঙমখিদে। মদুনা মরম ওইরগা লুপা লাখ ৩৪ রোমগী মমল ওইগদবা উশিং অদু ফাজিল্লবা তুংদা লোগী ওইবা থবক লৌখৎনবা দিষ্ট্রিক্ট ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট থৌবালগী কাঙবুদা শিন্নখ্রে হায়রি।

পনবা য়াবদি, হন্দক্তা ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরোনমেন্ট মিনিষ্টর থৌনাওজম শ্যামকুমারনা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা হেংলেপ্তা উ বিম কয়ামরুম পুরম্বা শক্তিমান ট্রক অমা থেংনবদগী ফাজিনবা লৈখ্রে। মসিদসু নত্তনা মোরেগী মফম কয়ামরুমদা উ বিম ময়াম পৈরগা থম্লম্বগী ৱাথোক অমসু লৈখ্রে। অসিগুম্বা তানফম অসিদা এ আরগী পার্সনেল-শিংনা উ ফাবগী থৌদোক অসি থোরকপনি।

## পি সী টি সীদা নোটিশ থাখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৫(ঐচ এন এস):

ইন্দিয়ন ওইল কোর্পোরেসন ইম্ফাল দি ওগী সিনিয়র মেনেজর (রিটেলস সেলস) ফোর দি জি এম (রিটেলস সেলস)গী মায়কৈদগী খুয়াথোংদা লৈবা এম এস ফুলচান্দ ত্রিলোকচান্দদা শো কোজ নোটিশ অমা থাখ্রে। শো কোজ নোটিশতা পল্লিবা মপূং ওইবা ৱাফমদি মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী স্পিকরগী গাড়ীদা রিটেল আউটলেট অদুদগী ঐচ এস দি হাল্লুবদগী গাড়ী য়াদ্রে হায়বা রিপোর্ট...মখা লামায় ৩ কলম ১




HL-B/4351/20Jan-19Mar(Alt)




HL-P/4962/23Jan-23Feb




davp 22201/13/0021/1718

ঈ-পাজ্জা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্বের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫